*"মণিপুরীগী সিভিলাইজেসন্দা কোনুংগী ৱারী য়াওদবা য়ারোই। মীওইবগী পুন্সিদা হৌখিবা মতম লৈতবা হৌনদে। লৈতে হায়রগদি মী অদু এবনোর্মেল ওইরবনি।"*
*- এম কে বিনোদিনী*

# শৈরেং

## মতম

**—এল চিত্র**

ঙসিদি নহাকপু ঙাইবদা ৱারে
হয়েংনা ৱাগনি চৎখিগনি খনবদা
মতম মতম অঙকপনি নঙগী খূৎশেম
কাউহল্লি নঙনা শিগনি হায়বা
মীৎকুপ পুংজা কয়াবু
পায়শিল্লি নঙগী খূৎশা নুংদা
ঐগী অহৌবা অরোইবা পুন্সিসু
ওইরি মতম নঙনা
নোংমদি নঙনা থাদোকপীগনি ঐবু
পুন্সি চূপ্পগী পোত্থারনি মতমদুদা
ঐনা নঙবু অমুক ঙাইররোই
চৎখিগনি হায়বগীসু ৱাররোই।
মীপূম খুদিংমক্কা পাম্নরবা
লৈখোক্তা তাংজ লিন য়েৎলবা
ঙমলোই কনানসু হেকপা
মখৌ পোঙনা লাউরি
ইন্দিয়ানা ঙাম্থোইহরি মালেমদা।
ঐখোয়দি
লমগী ষণনা ৱাইনবদা
থৌনা ফনা য়াওগনি,
থম্বাল ঙাল্লিবা লান্মীনি
মখৌ পোঙনা লাউই
কনানা কৈদৌবা ঙমগনি
ঐখোয়দি শক্তি পায়বনি।
সোমদনা
হার ফংদে ঈশিং ফংদে
পোৎ চৈগী মমল অতিয়া য়ৌই,
উবিদে খঙবিদে তাবীদে।
মসিরা নীংতম্বা পুরকপনি লাউরিবা কাঙবু
নত্তে ঐখোয় ঈ মশেলনি
ইমা অমত্তগী মচানি লেপখো লান।

## ঈশিংদি তাইবঙ থৱায়নি

**—মৈস্নাম বীরমনি পাল্লরবোন্দ**

ফজরবা শহরগী চিদাইদা
শেংদোকপীদ্রবা পুখ্রি পাৎ
নাতোন মেল্লগা লাম্থোক্লবা
প্রুক প্রুক শৌনা কোঙ্গোল কারবা
নমথী হাঙৈনা ফুনজিল্লবা
ঈশিংদি তাইবঙ থৱায়নি।
ঈশিংগী জীব হিংঙল্লরোই
শাশিংগী খৌরাংবা কোকঙল্লরোই
মৈহৌ লাংপোক কনঙল্লরোই
তুকচ্চবগী ঙমখৈ লৈররোই
ঈশিংদি তাইবঙ থৱায়নি।
উনীংলুই কল্লকপা ইমিৎ'সিনা
ঙানু থঙ্গোংনা শান্নজবা
থরো থম্বালনা লৈতেংবা
থারিকথা লৈশাৎ তমজবা
চরাংনা মথোই কাজবা
ঈশিংদি তাইবঙ থৱায়নি।
ঐবু অমুক্তদি কনবীয়ো
অমোৎ অকায় শেংদোকচগে
ফত্ত হৌদি চামথোকচগে
লানখিবা য়াওরবসু ঙাকপীয়ো
নখোঙতবু হন্না শোকচগে
ঈশিংদি তাইবঙ থৱায়নি।

## নূংগী থম্মোয়

**—থবাতোম্বী ঙাংবম**

কপ্তুবা নত্তে থম্মোয়সে
তেংথাদবা নত্তে পুন্সিসিনা
করিগুম্বদসু নুংহিক্লখিবনি কয়ারক
খঙবিরমদবদুনি,
য়েংবীরমদবদুনি,
উবিরমদবদুনি,
পাউথোক্লফমতা ওইরবা পুন্সিসিনা
তত্তনা ৱাজরিবদি।
মরালবু লোৎশিন্দুনা
মীরালতা ওইহল্লিবা
মরৌ চাওবা তাইবঙলক্তা
শকখঙবিদ্রবা পুন্সিসিনা
মীচৈতা তাদুনা হিংলক্লি।
ঐগী ঐগীতা
খোঙফম চাবা থিনরিবা
ওইজবতদা তাংজরিবা
থঙতোক থঙজিন হৈবা মীওইবগী
য়োংলৈ মেল্লে নাইবা ৱায়েলদা
নুংশি ঈরিক পক্ত্রবা কনাগা
চাংদম্নবিরি থৌদু নূং ঐবু
লোম্থোক্তবনি মতাগুম।
হোংনাইদ্রবা পূক্লিংগী ফিরেপ
ঐগী লেঙদ্রবা চেৎলবা খোঙফমসিবুদি
শকখঙবিরমদ্রবোই তাইবঙ মপোক্লা।

## পুন্সিনা বিদায় পীদ্রিবা ফাওবা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

হৈপাল লৈপালদগী
হৈরাং লৈরাংশিংনা
মতমনা লোইরদুনা
চোইজাইননা কেল্লি
হৈখোং লৈখোংদা।
নুংশিদা মতম কৌবী
ইমা নহাক্কী খোঙচৎসে,
লোইখ্রে চৎখ্রে
কল্লকপা মীহৌবা
অপাম্বা পূম্বা থাদোক্লম্লে।
পোম্বী চেক্লাশিংনা মনীং
তম্না শান্নজরম্বা
উমং ৱামং ঙম্নমক মাঙখ্রে,
কাইদোংফম খঙদ্রবা
পোম্বী চেক্লাশিংনা
অহাঙবা মালংদা
কোইনা লৈনা পাইরদুনা
খোঞ্জেল থোক্লা খোংলি
কনাদা করিবু হায়রিবা।
হে ইমা মালেম লৈমা
নহাক্কী নশাইগোন্দা চাওজরকপা
নহাক্কী নশাইগোন্দা তিনজগে
পুন্সিনা বিদায় পীদ্রিবা ফাওবা।

## লান লেপখো

**—পুয়াম অচৌ খুমনচা**

ঐখোয়দি
ইন্দিয়াগী নীংখা তম্বা পুরকখিবা
মখৌ পোংনা লাউজে,
চহী কয়াগী সাসন খঙলবা
তুবা নাইররোইদবা উপালগুম;
অকনবা পাৎকী নোংলৈ লাকপদা
তুরমালে উপালদো ঙসিদি।
ঐখোয়দি
পাৎকী থম্বালনি লৈনম চেল্লবা,

## নাইতোম তারবা যাত্রিক

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

নাইতোম তাবা যাত্রিকনি ঐদি
চৎলিবনি অসুম্না অসুম
পন্থুংফম পল্লেপফম খঙদ
লেপ্পা লৈতনা ইথন্নতা
চোকথবা অৱাবা য়াওদনা;
চৎখিগনি লৌবুক লম্থাং
চীংয়া তময়া শীনবা থুং
য়ৌরুখিগনি চীংনুং মানুং
তিঙ্খং তুম্বৌ মরক্তসু
থৱায়গা হকচাংগা শেৎনদ্রিফাও;
অকিবা লৈতে ঐঙোন্দ
তুজুংবা পোক্তে ইশাদা
লাল্লুবা লৈতবনা কনাদসু
তৌরুদবনা অকায়বা কনামতগী
পাক্লবা তাইবঙ ঈপাকসিদা;
হনবা লৈত্রবা থৌনাগা লোয়ননা
লাউরমগনি ঈখৌ পোঙনা
মুৎলমদাইগী থাওমৈনা খংঙান ঙানবগুম
অচুম্বনা মতম চূপ্পদা য়াইফরে।
নাইতোম তারবা যাত্রিক ঐহাক্লা।

## ঐগী ফন্দী

**—যোদ্ধচন্দ্র সনসম**

ঐনা থম্মী
অনানবা অমোনবা ফি মতেক অমা
মায় তৈথোক্লবা;
ঐনা থম্মী
ফত্তবা ফন্দী অমনবা অমসু
ঐগী খোঙ তৈথোক্লবা।
নুংঙাইতে খল্লুবদা
মীচঙ-মীখায় নাইরে ঐ
খোয়ুম মচৎ চৎলগে খল্লুবা ঐনা!
মদুসু
ইশামক্কী হকচাং কয়াৎশিংদা;
মানি,
মীচঙ মীখায় নাইরবনি ঐ,
মানি, মীচঙ মীখায় নাইবা মীনি ঐ।
অদুবু
লৈখোম মরক চৎলুবা
খোঙ তৈথোক্লুবা ফন্দীদুনদি
করম্না তৈথোক্লুনি ইমায়সিবু?
খোঙনম ফন্দীনি হায়রগসু
করম্না নুংশিদবা ঙমগনি
ঐগী খোঙনম ফন্দী মাবু?
ঐগী খোঙনম ফন্দীসিনি
ঐগা খ্বাইদগী তোৎন-তিন্নজরিবা
ঙাইহাক লৈতনা,
ঐসু নুংশি ঐগী খোঙনম ফন্দী।

## নোংমদোনথক্তগী লৈখাদা তারকপা

**—ইরুংবম দেবেন**

মখোয় ময়াম চঙদুনা
মহাকপু থাঙ্গৎলি;
লংখৎলি মথক্তা-
ৱাহংন্নীংবজাৎনি চাউহন্নীংবজাৎনি।
হংই মখোয়না : করি উই?
মহাক্লা খুম্মী: 'প্রজা ময়াম উই
লায়রবগী খাংপোক উই
চাক্লি ফিনিবা উই, অশোন অনা উই।'
'থাদোক্লগেকো য়াররবা
নথন্তা লৈবা ঙল্লদরা?'
'থাদোক্লো থাদোক্লো'।
মহাক নুংঙাইজরে
ঈশিংদা থাদোকপদা ঙানা হরাওজবগুম।
অতিয়াগী মফম অমদা
চাউরবা মথোল কয়া ৱাংলবা ময়ূম শারে।
মশক ফজবী নুপী অমা তালোই ওইনা ফংজরে।
নুংঙাইনা পাল্লে
মচা মশু পোক্তুনা মীনাই মীশল লোয়দুনা।
মখাদা লৈরিবা মীশিংনা
হংই নোংমা : 'করি উই?'
'নুমিৎ উই থা উই
থৱান্মীচাক্কী ময়ূম উই।'
'মখাদদি করি উই?'
'করিনো পিশক পিশক তুমিৎলা কাঙলা মখোয়সিবো?
ইখোঙ অসিনা নেৎতুনা চৎলবদি মথক্তা নুংঙাইখ্রনিদা।

## নঙনা মরুনি

**—ইরোম মোবি**

নঙনা শেল চারোই
লৌরোই হায়রসু,
পীগদৌবা মীনা
শৌ শাই,
কয়ানা য়ানি
কনাদা চংনি
খোইরেল মসা পাইগুম্নি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# লমদমসিগী নাৎতা হোংলক্লিবা মশকশিং-(৬)

# মোংবা হনবা লাইফমলেন



অঙাং ওইরিঙৈদা কৃষ্ণ জন্ম নুমিৎতা মহাবলিদা লাই খুরুম্বা চৎলকই । মহাবলিদা য়োং য়াম্না লৈরম্মী। য়েংবা নুংঙাই। অঙাংনা য়োং য়েংনিংবা, জুগী শায়োকশঙদা চৎলগা শা-কৈ য়েংবগী নুংঙাইবসিদি মহৌশানি। লমদমসিগী মী অয়াম্বনা থাংজ নুমিৎ নৎত্রগা লৈপাকপোকপা নুমিৎশিংদা মহাবলিদা লাই খুরুম্বা হেক হেক চৎনরকই । মহাবলিদা লৈরিবা য়োংশিংদা মখোয়গী চানবা থাবীখি। য়োংনা চাখিবগী অরেম্বা খুল্লগা চানৈ,য়ূমদা পুনৈ । ময়াম্না তৌনবগীনি মরম থোইনা খঙদে। । য়ূমগী মশা শোঞ্জুনবা অঙাংশিং মহাবলি য়োংগী অরেম্বা চারগা মপাঙ্গল কল্লি হায়না থাজনদুনা অরেম্বা পীজনৈ। মশা মউ ফনবনি হায়দুনা মহাবলিদা লৈরিবা পুখ্রি অসিদা অঙাংশিং পুরক্লগা ইরু শাদেংবী । কনাগুম্বনা ঈশিং খর শোক্লগা য়ূমদা পুনখিবসু থেংনৈ । মখল মখলনি। চৎনরকপা অসি ঙসি ঙরাংগীদি নৎত্রে । ফনা কুইরক্লে ঐখোয়সু খঙদনা অদুম তৌরকখি। চৎনরকপা অসি থাজনবগীনি। থাজবা হায়বসি মীওইবা কাঙলুপ খূদিংমক্কী লৈনৈ । থাজবদগী চৎনবী ওইরকই। চৎনরকপা থাজনবী অসিনা মীওইবা কাঙলুপ অদু মশক তাকই । অনীমক অসি থানবা য়াদবা ঙাক্তনি। ঐখোয়না নাৎ নৎত্রগা কলচর হায়রিবসি থাজবদগী ওইরকপা, য়ানরগা চৎনরিবা অদুবুনি। থাজবা চৎনরকপা লৈত্রগদি নাৎ হায়বসি লৈরমলোই। চৎনরকপা অমদি চৎনরিবা নাৎ হায়বসিনা মীওইবা কাঙলুপ অমদি কাঙলুপ অদুগী পুন্সি মহীং তাক্কদৌরি। চৎনরকখিবদগী শোয়রকপা অদুদি ঐখোয়না খক খল্লুদে ।

ঙসি মহাবলি হায়না খঙনরিবা মফম অসি মতম অমা মোংবাহনবা লাইফমলেন নৎত্রগা উমংলেন হায়না লমদমসিগী তম্পাক লমদা খুন্দারিবা য়েক-সল্লাইচাশিংগী মফমদা য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইনা লৌনরকই হায়বসি ঐখোয়না অরীবা লাইরিকশিং পাবদগী খঙবা ঙম্মী । লাইনীং লম্বী চৎপগী ৱাফম্না অমনি । মালেম লৈশেমলোন অরীবা লাইরিক্কী মতুং ইন্না লমদমসিদা উমং লাই মাপল লৈরি। উমংলাই মাপলগী উমংলেনশিংগী মনুংদা মোংবা হনবা উমং অসি মরুওইবা অমা ওইনা য়াওরি। ঙসিগী মীরোলনা মোংবা হনবা লাইফম কদায়দা লৈবগে হায়না হংনরকপদা মফম উবা ফংলোই। মোংবা হনবা হায়রগা খঙনরল্লিবসি কংলাগী খা থংবা, ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরি হায়বসি খঙনরকই । কয়াম পাক চাউবা মফম্নো,মতম অমা মফমসি করম তৌরম্মী? মসিগী অকোয়বগী ফিভম মশক করম তৌরম্বগে হংলগদি ৱারী ৱাখোং খঙবা তাকপীবা ঙম্বা অখঙবা অহল লমন থিবদা ঙসিদি ৱারগনি। হৌজিক ঐখোয়না উরিবা অসিদি য়াম্না পীকশিল্লবা, মশক মওং কায়রবা মীতোপ্পা খুন্দাশিনখ্রবা মপু লৈত্রবা মফম অমা ওইনা উরি। ঙরাংগী অঙাং ঐখোয়মক্লা উরকপদা মফমসি য়াম্না পাক চাউরম্বা অচৌবা উজাও কয়া হৌরম্বা থেংনখি। হনুমান ঠাকুর লৈরিবসিগী মনিংলোম ওইবা মাল্লি খর চঙশিল্লগা অচৌবা লৈপুঙ অমা লৈরমখি মদু লাইফমলেনদুনি হায়না তাকপীরকখি। ঐনা হায়স্কুল তল্লিঙৈ ১৯৭৩ অদুৱাইদা উখিবা লৈপুঙনি ঙসিসু মিৎতা উরি । ঙল্লিঙৈ লৈপুঙ অদুগী মথক্তা থকখল খল্লমখি । ঐবু পুশিনবীদুনা য়েংহনখিবসি কনানো নীশিংবা থোকত্রে । ঙসিদি উমং অসিগী মমাং থংবা লমশিং অমদি অকোয়বা মফমশিংদা মীয়াম্না খুন্দাশিন্দুনা অমদি খুন্দাশিনখ্রিবা ময়াম অদুগী চৎফম লম্বী শেমদুনা পাক চাউথোকলকপদা উমংগী শরুক কয়া অমসু য়াওশিনখিবগী উমংসি পীকশিনখ্রে । হান্নদি খোঙগী লম্বী মচা অমতা ওইনা ষণশেন্থোংলোমদগী চঙলকখি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ উমং অসিগী মমাং হেক থংবদা শগোল লমজেল তান্নফম ওইরম্বা মিৎতা উরি । শগোল লমজেল তান্নফম অদু ঙসিদি ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়ার থিএটর অমদি মসিগী অকোয়বদা খুন্দাশিনখ্রিবা ভেং ওন্থোকখ্রবা মফম ময়াম অসিনি। মতম অমা মোংবা হনবা উমংগা থংনরম্বা চাউখ্রবা লম্পাক্লি। হৌজিক ষ্টেট লেন্দ হায়বদি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লমদি উমংসি ওইরমগনিদি হায়ববু খুন্দাশিল্লিবা ময়াম অসিনা ঐখোয়গী মিৎমাং অসিদা মতম অমগী নাৎকী মফম ওইরম্বা মোংবা হনবা উমংলেন, শগোল লমজেন তান্নফম লম্পাক ঙসি মশক হোংহনখ্রে, মশক মাঙখ্রে। খঙহৌবা উহৌবা মীগী মশীংসু য়ামলল্লরোই । ঙসি খুন্দবীরিবা ময়ামসিদা মতম অমগী মশক হংবদা ঙকপা ফাওগনি। মফমসি কনানা হৌজিক ঙাক শেল্লিবগে হায়বসি খুম্বা লুগনি। লৈশিনখিবা খুন্দশিনখিবনা চাউই । লৌ মপু য়োংনা তানবা হায়বদু ঙসিগী য়েলহৌমীশিংদা ওইররি । খ্বাই য়াইস্কুল, উরিপোক, সগোলবন্দ, থাংমৈবন্দ, খুরাই হৈঙাঙ কোংবগী মী অমত্তা মফমসিদা খুন্দাদ্রি। অথাপ্পা মফমশিংদগী লাক্লরগা নাৎকী মফম ওইরিবা ময়োনসিদা খুন্দাখ্রিবসি মতৌ করম্না ওইখিবনো হায়বসি খল্লুবদা অঙকপা পোকই। হৌজিক্তি পুন্নমক হৌখ্রে । তম্পাক্কী ময়োন্দা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং অসি ৱাখল খলহৌদে। ঐখোয়গী মীয়ামগী লন, লমদম অসিগী মশক থোকপা পোৎ অমত্তা হৌজিক শেমগৎ শাগৎলকপদা খুন্দাশিনখ্রিবশিং লৈমিন্নরিবশিংগী মরক্তা মূক্লবা চয়েৎনবা থোকলক্কদৌরি । মসি হৌখিবা লৈঙাক পায়বীখিবশিংগী অশোয়বসু লৈখি অদুগা ঐখোয়গী মীওইশিংগী মরক্তসু য়োন্থোকপা, পীথোকপা কনবা, থৌশারুদবা, তুংগী খলহৌদবা কয়া অসিনা ঙসিগী ফিভমসি ওইরকপনি হায়বসি অরানবা ওইরোই । লমদমসিদা নাৎকী মশক থোকপা পোৎ শেমগৎ শাগৎফম মফম লৈশিল্লকত্রে । লৈমা নিংথৌ পাল্লমবা লৈপাক্লি হায়বগী নীংথিবা য়েংফম লৈতে । কোনুং য়েংগে হায়বদা মশক উদে । য়ূমলক্তা কোনুং লৈ । মতম অমগী কোনুংগী লম্পাক করম তৌরম্মী, চঙফম করম তৌরম্মী উরুবদা অমদা য়েংবা মথৌ তারকই। লমদমসিগী নাৎকী মশক্তা হোংলক্লিবশিং হায়বা ৱারেং অসিদা মহাবলি লাইফম নৎত্রগা মহাবলি উমং মতম অমগীনা মোংবা হনবা উমংলেন হায়বসিদা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিলহঞ্জনিংঙি ।

" লম্মীৎলোন্দা মহাবলী উমংগী মতাংদা অসুম্না হায়রি, খোইমোম লাইফম অমদি মচী খানিংথৌ মোংবহলবা তল্লা উয়োককোন তুরেল থোঙমথেক লৈরোং সনা লাংকোলবা । খ্বা লেংশিন্ননা য়োংমু লাল্লুপ কানফম অদুসুঙ রাম ভক্ত নুংজানবা মহাবলী পাঙ্গনবগী মুর্ত্তি মাহাকসাংবু সংসঙয়েক । খোইমোম লাইফম সেমনা খ্বা ঙমচীংলেনবু ওইহল্লে । য়োইনা থৌখল সোয়পীকুনো হায়না গুরু শ্বামীজি অথোইবগা সেবোক লাইরেল মপারিকা মাচেঙ হকমা ওইনা অসুম থৌরাংলবদা। উমং মমিংথোংসুঙ মহাবলী উমংলেন ও কৌয়ে । (সনামহি লাইকন)"

"গরিবনিৱাজনা নিংথৌ ওইনা পানবা কুমশীংদা মণিপুর ৱাংমদগী লাকপা শন্তিদাসনা মতম অদুগী মোংবহনবা উমংলেনবু মহাবলী উমং হায়না খঙনখি। (লম্মীৎলোন)"গোসাইগী খুজিন থৌরাংদগী কৈথেন্দা য়ুংলম্বা নুঙনা মহাবলী হনুমানগী মুর্ত্তিশাদুনা মোংবাহনবদা থমখি। মতাংসি চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না পল্লি- "১৬নি লংমাইচীংদা স্না কৈথেন্দা য়ুংবা নূংবু হনুমানগী মুর্ত্তি শানবা মোংবা হনবা তান্না চিংশিন এ । মোংবহনবদা লাইৱা হায়বসুং মাঙহনএ ।"(চৈথারোল কুম্বাবা)

খৃঃ ১৫৮ দগী ২৬৪ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক্লা মৈতৈলৈমা নোংবাল্লোন নোংমোইনু অহোঙবী পান্নরগা য়োইমোংবা অমদি তাউথিংমাং পোকখি। য়োইমোংবনা ইম্ফাল তুরেল তাউথিংমাংনা ইরিল তুরেল তেংখি। তুরেল তেংলকপদা ককয়েন মীঙম্বগা থেংনখিবগী শাংলবা ৱারী লৈখ্রে । ককয়েন মীঙম্বা হাৎলবা মতুংদা য়োইমোংবনা মনাও তাউথিংমাংদা নিংথৌ খুভম শিন্নরল্লগা য়োইমোংবনা উমংদা লাই নীংলুরগে হায়না চৎখিবগী মতাংদা অসুম্না লাইরিক্তা পল্লি । "হে ইসানৌ সীংখোঙ য়ায়মবা নঙবু চোয়নৌ সনা ফম্বাল তোংনা মালেম লৈঙাকতপৌও । নসাবী ঐদি সিমরি উমংলেন অথোইবদা খোইয়ুম লাইবু নীংলুরগে..।"

মোংবাহনবা কনানো হায়বসি নৈনরকপদা য়োইমোংবা তাওথিংমাং অনীগী ৱারী লীখুন অরীবা লাইরিক পারকপদগী খঙবা ঙম্মী । য়োইমোংবা তাওথিংমাং মচিন মনাওনা তাইবং মীওইবগী কান্নবা কয়া তৌবীরমখি। অহেনবা পামদবা য়োইমোংবনা শাথুপখিবা মফমবু ঙসিগী মীরোলনা মোংবা হনবা উমংলেন হায়না খঙনরগা লাকখি। মহাবলি অমদি মোংবা হনবা লাইফমলেন অনীসি মান্নদে, শকলোন অমমন্নি । মোংবহনবদি নাৎকা শাগোন্নরক্লবা মফম লাইফমলেন ওইরকখি। তম্পাক মাইবা হায়না খঙনবা অমনা শেন্নদুনা লৈরমখি হায়নৈ । কোন্না মহাবলিনা চঙখিবনি। ঙল্লিঙৈগী মতমদগী মৈতৈগীবু ওইরো হিন্দুগীবু ওইরো লমদমসিগী মীওই খুদিংমক্কী নীংনফম থাজনবা মফম ওইরকখিবনি। অসিগুম্বা মওং অমা ওইরিবা মফম অসিদা নাৎকী মশক য়োকখৎপা অরীবা চৎনরকপবু মাঙহন্দনা থম্নবা মওংদা লৈঙাক্লা পূক্লিং চঙবীবা মতম ওই । মোংবা হনবা লাইফমবু নীংজবা খুরুমজবা পামজবা য়েক-সল্লাইচাশিংগী চঙফম খুরুমফম মফম অমা মোংবা হনবা উমংলেনদা থম্বীরগদি নাৎকী মাঙশিনখ্রগদবা মফম অমা কন্দুনা থম্বা ঙমগনি। নাকল অমরোমদা মহাবলী হনুমানগী মফমসু অদুম লৈজসনু। থাজজবা অপান্বশিংনা নীংজফম মাগী মাগী মফম অপান্বদা চঙজসনু মীতোপ্পা খোপচিন্দুনা খুন্দাশিনখিবনা হেন্না অনীমক্কী নাৎকী মশক্তা মাঙফম ওইরি। মোংবা হনবনা মোংহন্দনা লৈবসিনা থাজনরকপা মতুংইন্না লৈপাক খুন্নাইগীসু অৱাবা কোকপা ঙমদবা মতাং লাকলম্বসু য়াই। পুন্নমক থাজবগী মখা পোল্লি । হৌজিক্কী মতমসিদি এলোপেথিসু হোমমিওপেথিসু অনীমক্লা পুল্লগা হিদাক থাদুনা মীওইবগী পুন্সি শাংদোকহল্লবা মতম্নি । লাইনীং মান্নদবগী নুংশিনদবা শম্বল ফুকতোকসি নুংশিনবা হায়বসিদগী অহেনবা হিদাক লৈতে খল্লি । অপাম্বা নীংজসনু চৎফমদি পীবীসি । লৈপাক মরা তপ্পা হায়বসি নুংশিনরগা ওইরক্কনি। নাকল অমত্তগী ৱাখল ঐখোয় অমত্তনা খল্লগুমসি । মীতোপ্পা চঙশিন্দুনা খুন্দাখিদ্রিঙৈ মোংবা হনবা লাইফমলেনবুসু অমদি হনুমান ঠাকুরগী লাইফমলেনবুসু মীয়ামগী অপাম্বা খুরমজনফম অশেঙবা লাইকোন ওইনা শেমগৎপীরগদি নাৎকী মফম কনবদা পুন্নমক্কী অফবা ওইগনি। নাৎকী মশক হেন্না থোকহনসি হায়রগদি কৎথোকপা মীয়ামগী খনবা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবনা ওইগনি। ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# তা পাকচাও

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়বা হেক হৌরকপদগী মথুম-মরাং হৌরবা তা পাকচাওদু নেনা তাদনা ঙাওচৎনদুনা লৈরক্লি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ভোটতু লোইখিবদগী ভোটলাই চুরবা তা পাকচাওনি। ভোটকী ইরাং হেক হৌরকপদগী অয়ূক নুংথিল নুমিদাং হায়বা লৈতখৈ কেন্দিদেটকী ময়ূমদা অদুম লৈজরকপনি। ময়াম লাক্লিবশিংদুগা লোয়ননা অমুক চা, অমুক থক তৌদুনা মশাদু মতম চূপ্পদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাদুনা লৈরকপনি। মরাইবকনা থীরিসু মানা নোং ঙানবদগী লৈজরম্বা কেন্দিদেটতুসু ভোট কাহৌদ্রে। কাবা য়াই হায়না মাগী মীনদি অঙ্ক হোৎপনি, অদুগদি থর্দ তারগা লৈহৌরে। ভোট লোইখ্রে, কেন্দিদেটকী ময়ূমসু থোঙ লোনখ্রে। মী চঙহন্দ্রে।

তা পাকচাওদু তৌফম লাকফম খঙদদুনা বঙ চুদুনা লৈরিঙৈসিদা হৌজিক অমুক ম্যুনিসিপালগী ভোট তৌরনি হায়না লাঙনরকপসিদা মশাসি খরা খিংগৎলকপনি। নহানখৈসি করম্বা কেন্দিদেটতা চঙসিগে হায়না খল্লি। মাগীদি কাবা কাদবগী ৱা কৈসু লৈতে। কারসু পাকচাওনা তোংজদৌ লৈতে, কাদ্রসু পাকচাওদা মাঙজদৌ লৈতে। মাগী হায়বু ভোট মতমদুদা নুংঙাইজহৌবা অদুগী ৱানি। শেল পায়দবা কেন্দিদেট, মী পূন্দবা মফমদদি পাকচাওনা হন্না য়েংদে। শেল পায়বা, কৈ কৈনো খরা লাঙবা ঙম্বা কেন্দিদেটতুনি পাকচাওনা থিরক্লিসি। ভোট লেপকনি হায়বা মী মরি শুরে, মদুগী মনুংদা কনানা শেল ইপায় পায় হায়দু য়েংলগা লাকপদু, হৌজিক্তি ফংলে। অৱাং লৈকায়গী মেমি ভোট লেপতৌরি। মাগী নুপাদু শেল নীংথিজনা পায়। ময়াম লাক্লগা ফম্নবা টেবল চৌক্রি অহনবা ৫০/৫০ লৈবগী পাউ তারে। কেরোম বোর্দ, লদু বোর্দ, ছত্রং বোর্দ ময়াম অমা লৈরগা মী পূনবা হৌরে। পাকচাওনা থোঙ্গালদা লিপৎ লিপৎ চৎলগা সুম য়েংলম্বদগী মেমিগী য়ূমদুদা শ্রিৎ লাওনা লিৎশিল্লগা, মাসু ময়াম মরক্তুদা য়েপশিন্দুনা য়াওশিল্লে। নুমিৎ মল্লি মল্লি তৌরকপদগী হৌরে। দিসপো গ্লাসনা মথৌ হৌরকপা, মদুনি পাকচাওনা হেক পেঞ্জরিসি। চানবসু নুংতিগী অদুম ফজৈ, হৱাই মঙ্গল খরা মুনবোই মুন্দবোই কাংহৌ ঙৌরগা পেপর প্লেট অমা অনীদা চাইথোকপদু নত্তে। নুংতিগী ব্রোইলর মরি মরিদি মথ্বায় লৌরগা ঙৌবা, থোংবনি। অদুদদি নোংমা নোংমগী মী তিনবগী মশীংসু অসুম অসুম হেনজিল্লক্লি। পাকচাওগুম্বা মশীং য়ামখৎলকপা অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মেমিগী ভোট ফজরি হায়বা তাই।

"ভোটতি ঐখোয়না ইকা কারেদা" ঙসাই নুংথিলদগী ছত্রং শান্নরগা নুমিৎ তাবা ঙাইরগা মল্লি মল্লিবদগী থকপা হৌরকপা পাকচাওনা দিসপোদু মখনাওদা পুল্লপ হৈজিল্লগা মখূৎ ওইদুনা মচিনদু তৈথোক্লগা হায়রকপনি।

"কাদদি কৈনো, ঐখোয়না ভোট সুক য়াম ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা থৱায় য়াওনা নুংতিগী কেন্দিদেটকী য়ূমদা পুন্দুনা চারি থক্লি, সুক য়াম ৱানা হোৎনরিসিদবু কাদ্রদি কাদ্রবাই দুনি, কানি কানি শোয়দনা কানি। পোৎতুবু লৈত্রবো, মপূং ফাবা খিত্তং ৱাৎলিদা" হায়না মমায়দুদি থাঙ্গৎপা ঙমদ্রবা থোম্বনা পোৎ থিরগা হৈরকই।

"পোৎকীদি খল্লুনুনে, লৈনি, অদু শেংনা হায়য়ু। নঙনা ভোট কয়ামদি খোন্নগে?" পাকচাওনা থোম্বদা হংই।

"য়াম খোম্মেনা, তা পাকচাও ভোট হায়সিদি য়ূম য়ূমদগী হৌগদবনি। অদুনা ঐখোয় ইমুংদা ভোটর লৈরিসি তরুকনি, সিগী মনুংদা ঐ ভোট অনী ফাওদি খোম্মে। মোইসু থাদনি হায়রে"

"অতৈদি?"

"অতৈসু মাই থাদজনিনা, হৌজিকপু ঐনা ভোট থাদবা অমুক তাকখিদ্রো, মোই মমাঙদা ভোট মরি মঙারক থাদখ্রবা মী ঙাক্তনিনা"

"থোম্বা, অদুদি য়াররোই, নোই ইমুংদো মী শুনবা থাদহনগদবনি"

"থাদনেমী তা পাকচাও"

"নঙগী ৱাদু সুম চিংনবা অমা য়াওবা অদুই ৱানি, কৈদৌবৈনো নঙনা নোই ইমুংগী মী ফাওবা মশীং শুনা হৌজিকফাও ভোট খোমজিনদ্রিসিবো"

"তা পাকচাওদি নোই ইমুংগী মী লোইনা খোন্নব্রা?"

"ঐদি খোমদে"

"করিগী?"

"মমাঙগী এম এল এগী ভোটতু ঐনা থাদৌ হায়বা ঐনা চেনবা কেন্দিদেটতুদা কনামত্তা থাদদে। অদুনা ঐনা ঐখোয় ইমুংগী মীশিংদা ভোট খোম্মসু কান্নরোই হায়দুনা খোমদে। খোম্মসু মোইনা থাদদৌ লৈতেবা, য়াম শাথীবা ইমুংগী মেম্বরশিংনি"

"অদুদি য়াররোইদা"

"করি য়াদনি, ঐদি সোলিদ থাদদুইনি"

"সোলিদ হায়দি?"

"সোলিদ হায়দি পুল্লপ"

"কনা কনা?"

"কনা হায়বা লৈতে, ঐ ইশাদি সোলিদ থাদরনি। সে সে ফক্লাংদা লৈতুমনা থাবগা চপ মান্নরবনি, শোয়দ্রবনি"

"ও নঙবুদি শোয়ররোই সিরা"

"হোয়নে, শোয়দ্রেনে"

"ওকে পোৎতো খরা পাম্মে, খরা ৱাৎলি"

"ওকে ওকে ঐ হায়গে" হায়রগা তা পাকচাওনা মখোনদু ফাইরি ফাইরি, য়ূমদুগী অঙাং নুপামচা অমনা টেবল অনী অহুম লাল্লগা হৈরিবদুদা কৌশিল্লি।

"বোই সিদা গ্লাস হাঙলে, অমুক্তা থলহল্লু লাও"

মোইগী ঙসাইদগী শানরিবা ৱারীদু তাবদা ঈ ফজনা হাইগৎলবা, অহৈ খুদিংগী মচা মচা য়াওশিনবদগী নীংথিজনা নিশা পাল্লবা নুপামচাদুনা চঙশিল্লক্লগা, থোম্বা অমদি তা পাকচাওদা মুন্না য়েংলগা শাওরপনা হায়রকই-

"নোই হৌগৎলু, চৎলো, হয়েংদগী সিদা লাক্কনু। নোইনা ঐখোয়গীসি ফ্রী ভেন্দরনি হায়না খনব্রা? হা? নোইনা কনাদা ভোট খোম্মগে? পোৎ হৈরকউ গাইনা নয়াদু থুদেকত্রিঙৈদা থুনা চৎলু"

ৱাদু তাবদা তা পাকচাওদু ফুক লাউনা হৌগৎলগা শাওনা খুম্মকই-

"করি, করি হায়বা, ঐখোয়বু চৎলু হায়বা। অঙাওবা ঐ অমনা থাদবা ভোটনা কাদৌরিনি হায়সি করি খঙদে। অদুক য়াম্না নাপন কাবা, ফৈ ফৈ, নোইগী ভোটসি কৈদৌগে হায়দু য়েং তারেদনা"

কদোমদগীনো খঙদে, নুপামচাদুনা তা পাকচাওগী নখাংদুদা অমুক্তা চেৎনা তাশিল্লবা খুতুমদুনা বক লাওনা হুমখিবু, পাকচাওদু নাহি ওরো ওরো হেক তাই।

"চৎলু নথিবোং থক্লবগীদমক লাক্লিবা নৎত্রা, মী অমগী য়ূমদা চৎতুনা ভোট খোম্বদি লায়রদনা নশাগী নয়ূমগী মী অমফাওবা ভোট খোম্বা ঙমদবা, নৱা লৌদে। নঙনা থাদদ্রসু ঐখোয়দি অদুম কাদৌ লৈরে, চৎখ্রো চৎলু নশক্তু য়েংনীংদে" হায়না তা পাকচাওদু মঙক পায়দুনা ইনখি। থক্লিবা ময়ামদু থকপা চাবা লেপ্পগা তৌরিবদু ৱা অমত্তা ঙাঙদনা মুন্না য়েংদুনা লৈ। তা পাকচাওদু তারক্লিবা নাহিদু মাগী ফুরিৎ মচিদুনা নপথোক নপথোক্তুনা নীংঙমদনা চৎখি। থোম্বসু তপ্লি তপ্লি ইন্নখি।

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*